# ফুরুপ খরনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী প্রোপোজ মেপ পুথোরক্লিবসি চৎনবা য়ারোই: এল পি সী



ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): ফুরুপ মশেল উংখৎনবা য়াবা মওংদা ফুরুপ অমনা কাংপোকপীগী মেপ হোংবা য়ারোই হায়বা অকনবা ৰাফম থল্লকপগী মায়োক্তা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নদুনা থা অসিগী ২৬ তা মোইদাংপোক-কৈথেলমানবী লেন্দ প্রোটেক্সন কম্মিটিনা শীন্দুনা মোইদাংপোক কম্যুনিটি হোলদা মীফম অমা ফমদুনা ৰারেপ কয়া লৌখ্রে।

মোইদাংপোক-কৈথেলমানবী লেন্দ প্রোটেক্সন কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ৰাই কুঞ্জেশ্বরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লৈখায় তাদ্রিবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিশিংদা মৈতৈশিংগী উয়োক চীং, ষনজাবুং অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিব কনভিনেন্সকী ৰাংমদা মৈতৈগী অপীকপা খুলশিং চনবা য়ারোই হায়দুনা ৰারেপ লৌখ্রে। মীয়ামগী মীফম অদুদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম পি, ডা. থোকচোম মৈন্যনা চীফ গেষ্ট, এল পি সীগী প্রসিদেন্ট ৰাই কুঞ্জেশ্বর মৈতৈনা প্রসিদেন্ট, অপূনবা মৈতৈ লৈমা মৈরা পায়বী লূপ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কে গুনি, মৈতৈ নেসনেলিষ্ট ওর্গনাইজেসনগী কনভিনর সী ঐচ বিরেন্দ্র, এ এম সী ও এমগী মিদিয়া কোওর্দিনেটর এন ইবোহল মঙাঙ, অন্দ্রো খুলগী খুল্লাকপা গন্ধার, ফয়েংগী খুল্লাকপা এন তোয়াই অমদি ভেলি ভিলেজ রিজার্ব ফোরেষ্টকী প্রসিদেন্ট এ তোম্বনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাঙখিবশিংনা থমখিবা ৰাফমদা মোইদাংপোক-কৈথেলমানবী এল সী পিগী প্রসিদেন্টনা হায়খি, মতম অমদা মণিপুর ষ্টেট দরবার এক্ট ১৯৩২ অমদি দরবারগী মতমদা পীরম্বা খুল অনীগী উয়োক চীংশিং অমদি খুলশিংগী হান্না লৈজরম্বা ষনজাবুংশিং কাংপোকপীদা চনবা য়ারোই, কাংপোকপী প্রোপোজ মেপ চৎনবা য়ারোই হায়বা ৰাফম থমখি। লৈঙাক্লা করিগুম্বা কাংপোকপীদা চন্নবা হোৎনরক্লবদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং লৈঙাক্লা পুবীয়ু হায়না থমখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম পি, ডা. থোকচোম মৈন্যনা হায়খি, অচৌবা ইস্যু অমা ওইরক্লবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরি অসি তরাইনা লৌবা চুল্লোই। মতম অমদা খুল অনীগী হিংনবগী পীরম্বা উয়োক অমদি ষনজাবুংশিং অমুক হন্না চীংগী দিষ্ট্রিক্টতা চন্দ্রবদি তুংদা কন্নবা উপায় লৈহৌরোই হায়বা ৰাফমসু থমখি।

বি জে পিনা লুচিংবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু মরী লৈনবা মৈতৈগী সী এস ওশিংগী ৰা তাবীদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল য়ৌরিবা কাংপোকপী প্রোপোজ মেপ অসি কুপ্না য়েংবীদুনা মৈতৈ খুলশিংগী উয়োক অমদি ষনজাবুংশিং কনবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাঙখিবা ভিলেজ ভিলেজশিংগী লৈরিবা রিজার্ব ফোরেষ্টকী প্রসিদেন্ট এ তোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, মতম অমদা তম্পাক লমগী উয়োক চীংশিং অসি মশা মশাগী খুলশিংনা শীজিন্নরম্বদু মৈতৈশিংনা চেকশিনবা ৰাৎপদগী, চমথোকপা হেনবদগী চীংমী কাঙলুপ অমনা লোন্না থুপ্না লৈশিনখিবা কয়ানা ঙসিদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী প্রোপোজ মেপতা মৈতৈশিংগী চীংশাং ময়াম অমা নমদুনা য়াওখিবনি। প্রোপোজ মেপতা উয়োকচীং ময়াম অমা য়াওরবসু মদু চৎনবা য়ারোইদবা দিমান্দ ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি। খুল খুলগী রিজার্ব ফোরেষ্টশিংগী ওইবা য়েকথোক্লবা মেপশিং চীফ মিনিষ্টর য়াওনা রেভিন্যু মিনিষ্টর, ফোরেষ্ট মিনিষ্টরদা পীশিনখ্রে হায়বা ৰাফম থমখি। এম এন ওগী কনভিনরনা থমখিবদা, অসিগুম্বা অচৌবা ইস্যু অমা মায়োক্লরি হায়রগদি মৈতৈশিং অসি হেন্না পুনশিনগদবনি। নহা ময়াম্বু এৱেয়রনেস পীদুনা ষ্টেট লৈঙাক্কী অকনবা প্রেসর পীদ্রিঙৈ মৈতৈ ফুরুপকীদমক তৌরকপা হায়বসি ওইথোক্লোই।

মীফম অদুদা লৌখিবা ৰারেপশিংগী মনুংদা য়াওরিবশিংদি, মণিপুর ষ্টেট দরবার এক্ট ১৯৩২ অমদি দরবার ইরা ১৯২৬-৩৪ না পীরম্বা মৈতৈগী উয়োক চীংশিং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা চলহনবদা অমদি খুলগী ষনজাবুংশিং মতম চুপ্পদা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈহন্নবা হোৎনরকপগী মায়োক্তা লেপ্পা, দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিনা মরম ওইরগা য়েৎনবা থোক্লকপা মফমশিংদা পায়খৎতুনা মীয়াম্বু ৰাখল তাহনবা, লমদম অসিগী মৈতৈ খুন্নাইগী মকোক থোংবশিং মরুওইনা চেন-চোংলিবা মীওইশিংদা কনাগুম্বা লূপ নৎত্রগা লৈঙাক্লা অয়েৎ অপন পীরক্লবদি মীয়াম হুপ্না মদুগী মায়োক্তা লেপমিন্নদুনা ফুরুপকীদমক থেংনবা।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিগী থবক থৌরমশিং অথুবা মতমদা লৈখায় তানবা হোৎনমিন্নবা, ফোরেষ্ট এনক্রোচর ওইনা লৈশিল্লিবা ফুরুপশিংনা মৈতৈশিংগী অপাম্বগী ৰাংমদা লাক্লবদি মদুগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবা, ৰারেপ অসি দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর, চীফ মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা এম এল এ অমসুং রেভিন্যু মিনিষ্টরদা খঙহনবা লোয়ননা মৈতৈ য়ুথ ফ্রন্ট সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা ৰারেপশিং অসি থবক ওন্থোকপীনবা তকশিনবা হায়বনচিংবনি হায়রি।

## য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা তেংবাংলকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা মীওই কয়ানা তেংবাংবীরকখ্রে হায়না য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পিবানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থা অসিগী ১২ দা ককৱা সাইরোম লৈকায়দা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহী লূপ লিংখৎখিবগী অনীরকশুবা থৌরমগা মরী লৈননা হোম অসিদা মৈতৈ চেঙ বেগ অমা, আলু, হৱাইনচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি থা অসিগী ১৩ দা খুমন লম্পাক্তা লৈবা হাউস কিপিং সোল্যুসনগী থৌমীশিংনা চেঙ বেগ অমা, আলু, মনা-মশিং, ষ্টেসনরি আইটেমশিং, নুমীৎ অসিমক্তা উরিপোক খাইদেম লৈকায়দা লৈবা কংলৈ ইমা লূপ (কিল)গী ৮ শুবা চহীগী থৌরমগা মরী লৈননা চেঙ বেগ অমা, আলু বেগ অমা, তিলহৌ বেগ অমা, হৱাই কে জি ১৫, অচাথাও লিটর ১৫, ফুটবোল অনী, চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি শেল ওইনা লুপা ১০০০, থা অসিগী ২২দা অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপকী ৬ রকশুবা চহীগী কুমওনগা মরী লৈননা চেঙ বেগ অনী, আলু বেগ অমা, অচাথাও লিটর ১৫, হৱাই কেজি ৫, থা অসিগী ২৭তা হেল্পিং হেন্দ কংলৈপাক্লা চেঙ বেগ অমা, চান থক্লবা অমদি ষ্টেসনরিগী আইটেমশিং, নুমীৎ অসিমক্তদা খুরাই লম্লোং কৈথেলদা লৈবা সবেন হেল্পিং মরুপ্না চান-থক্লবা অমদি অঙাংশিংগী প্রাইভেট ট্যুসন তৌনবগীদমক লুপা লিশিং ৬ পীবীরম্মী হায়রি।

## জি বি মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর এঙ্গলিং এসোসিয়েসনগী জেনরেল বোদি মীফম অমা থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অরিবম শিবদত্তবু প্রসিদেন্ট, গুরুময়ুম দায়ানন্দবু জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং চোংথাম অৰাঙম্ববু ওদিটর ওইনা হাপখ্রে হায়রি। এসোসিয়েসনগী ওফিস মমাংদা সগোলবন্দগী ওর্কিট হোটেলদা ওইরম্বদু শিংজমৈ ময়েংবম লৈকায়দা হোঙলে হায়রি।

## 'মণিপুর লৈঙাক্লা রি-কন্সিদর তৌবিয়ু'

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না হৌখিবা মার্চ ২৪দা ৰারেপ লৌদুনা এদেদ কোলেজ ৬পু লৈঙাক্কী ফুল ফ্লেজেদ কোলেজ ওইনা ওনখৎপীখিবা অসিগীদমক থাগৎলি। ফুল ফ্লেজেদ কোলেজ ওনখৎখ্রবা কোলেজ ৬ অসিগী মনুংদা অমা ওইরিবা থম্বালমরিক কোলেজকী টিচিং অমদি নন টিচিং ষ্টাফ কয়া কেবিনেট মীফম অদুনা খন্নবদা য়াওহৌদ্রে। হীরমসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা রি-কন্সিদর তৌবিয়ু হায়না গভর্ণমেন্টনা লৌশিনবদা য়াওহৌদ্রবা থম্বালমরিক কোলেজকী টিচিং অমদি নন টিচিং ষ্টাফশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ক্বাকৈথেলদা ঙরাং পাউমীশিংগা উনবা অমদা লৈঙাক্লো লৌশিনবা য়াওহৌদ্রবা থম্বালমরিক কোলেজগী টিচিং অমদি নন টিচিং ষ্টাফশিংনা হায়খি, কুমজা ২০১৬ কী দিসেম্বর ২ অমসুং ৩দা দিরেক্টরেট ওফ এদ্যুকেসন (য়ু) গী নোমিনি দি পি সীগী বোর্দ মেম্বরশিং, সবজেক্ট এক্সপার্টনচিংবা শুনা য়াওরগা দি পি সী পাঙথোক্তুনা পরম চুম্না খনখ্রবা থম্বালমরিক কোলেজগী ওজাশিং অমদি পেনেলদসু লৈরবা চহী অমা হেন্না থবক তৌরক্লবশিং, দাই এন হার্নেসতা চঙলকখিবশিং, লেন্দ দোনরশিং লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী অয়াবা ফংদুনা হাংখিবা কম্প্যুটর সাইন্স অমসুং এনভাইরোমেন্টেকী টিচিং অমসুং নন টিচিং ষ্টাফ পূম্নমক মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফমনা লৌশিনবা অসিদা য়াওহৌদ্রে। হায়রিবা ষ্টাফশিং অসিনা ৰাজরকখিবা অমদি কোলেজ অসিদগী অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্লবা লৌরকখিবা থৌদাংশিং অসিবু খঙবীবা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না হীরমসিগী মতাংদা অমুক হন্না খন্নবিয়ু।

থম্বালমরিক কোলেজগী গভর্নিং বোদিগী মায়কৈদগীসু কোলেজ অসিদা থবক তৌরিবা ষ্টাফশিংগী অকূপ্পা ৰারোলশিং অদু হায়র এদ্যুকেসনগী দিরেক্টরদা পীশিনখ্রবনি। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লসু ৰাৎহৌরিবা টিচিং অমদি নন টিচিং ষ্টাফশিং অসি লৌশিন্নবগী ৰাফম রি-কন্সিদর তৌবীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।

## থৌ পুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী জেনরেল বোদি মীফম অমা থা অসিগী ২৭ তা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ওফিসতা পাঙথোক্তুনা য়ুনিয়ন অসিগী কুমজা ২০১৮-১৯ গী থৌ পুনবা এন নিম্বসপু প্রসিদেন্ট, টিঐচ সোবিতাবু জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং পি নামখুলোং এলিয়জ জোনবু ত্রেজরর ওইনা খনখ্রে হায়রি।

## থোংজু কেন্দ্র গেমস হৌদোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): থোংজু কেন্দ্র য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা মঙাশুবা থোংজু কেন্দ্র গেমস ২০১৮ থা অসিগী ৩১ দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অকামপাৎ গ্রাউন্দদা হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি। গেমস অসিদা এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল প্লেয়রশিংনা এসোসিয়েসন অসিদা মরী লৈনবা চেরোলশিং পীখৎলক্লবা ৰাফম ফোঙদোরক্লি।

## থৌ পুনবা খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): ললিট কালা শঙ্গমগী ২৯ শুবা চহীগী মীফম থা অসিগী ১২ দা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মথং টর্ম ২০১৮-১৯ অমসুং ২০১৯-২০২০ গী থৌ পুনবা খনখ্রবা মতুংদা থা অসিগী ২৩ দা প্রোফেসর কে সরতচন্দ্রবু চেয়রমেন, খুমুকচম নোরেনবু সেক্রেটরি অমদি সলাম জিবনমালা চনুবু ত্রেজরর ওইনা খনখ্রে হায়রি।

## অইবা লুপকী লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): অইবা লুপ অসাম, হোজাইনা শীন্দুনা লাইরিক ফোঙবা অমসুং শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমা পরিষদ অসিগী শঙলেনদা থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোকখ্রে।

অয়ুক্কী থৌরমদা কে সী মঙাংনা ইবা *বরাপলি খোঙবান্দা* অমসুং পাইওনিয়র বাইওগ্রাফি ভোল্যুম ২ অমদি থাংজম অমরগী *চুমথাং নোংথাং* শৈরেং লাইরিক *য়াই পরেং* হায়না মীংথোনবা কর্বি অংলোংগী জর্নেল অমসু ফোঙখি। থৌরম অদুদা থৌদাম ববাতোম্বীনা প্রসিদেন্ট অমসুং পরিষদ অসিগী প্রসিদেন্ট অসেম শ্যামকিশ্বরনা চীফ গেষ্ট অমদি কবি এল নিলমনিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি হায়না লুপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশোম গুলাপনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## তোম্থোইনা বেষ্ট এক্তর এৱার্দ ফঙলক্লে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): গুৱাহাটিদা থা অসিগী ২৬ অমসুং ২৭ তা পাঙথোকখিবা প্রাগ সিনে এৱার্দ নোর্থ ইষ্ট ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা বিজগুপ্তা লাইশ্রমনা ষ্টোরি অমসুং স্ক্রীনপ্লে অমদি দিরেক্সন পীবা ফিল্ম *ইচে তম্ফা* দা শক্তম লাংখিবী লৈশাংথেম তোম্থোইনা বেষ্ট ফিমেল এক্তরগী এৱার্দ ফঙলক্লে। ফিল্ম অসিদা গোকুল অথোকপমসু বেষ্ট মেল এক্তরগী নোমিনি ওইনা চঙবা ঙমখি হায়না সিনে দিরেক্তর্স গিল্ড মণিপুরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## অৰাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): লিলোং পোলিটিকেল য়ুনিফাইদ লিঙ্ক (লিপুল) গী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরম্বা লিলোং চাওবোক মাইরেনখুলদা লৈবা লৈখিদ্রবা সয়দ অব্দুল রহিমগী মচানুপা সয়দ অব্দুর রহিম এলিয়জ এম এ রহিমনা থা অসিগী ২৫ গী অয়ুক্তা গুৱাহাটিদা লৈবা এ আর হোস্পিটালদা লৈখিদবদা অৰাবা ফোঙদোরক্লি।

লিপুলগী চীফ এদভাইজর এম এ জবরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এম এ রহিমনা লৈখিদবদা লিপুলগী থৌমীশিংনা মীনিট অনী তুমিন্না লেপ্পুনা অৰাবা ফোঙদোকখ্রে অমদি লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৰাবদা শরুক য়ারি।

অমরোমদা, লিলোং পোলিটিকেল য়ুনিফাইদ লিঙ্ক (লিপুল)গী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরম্বা অমদি ওল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী এদভাইজরসু ওইরম্বা সয়দ অব্দুল রহিমনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি এম দি অজির খান সেখনা থোকপা চেরোল অমনা অৰাবা ফোঙদোরক্লি।

## রেদ ক্রোসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): আই আর সী এস-এন ঐচ ক্যু অমসুং আই সী আর সী ন্যু দিল্লিনা শৌগৎতুনা ইমপোর্টেন্স ওফ স্কুল ষ্ট্যুদেন্টস ফোর পার্টিসিপেটিং ইন রেদ ক্রোস এক্তিভিটিজ হায়বা হিরম অসিদা নোংমগী ওইবা থৌরম অমা আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ এম জি এভেন্যুদা স্কুল নিপানদগী লাকপা মহৈরোয় পুন্না ৬০ রোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ষ্টেট য়ুথ কোওর্দিনেটর্স ডা. এস সুনিলনা কি নোট এদ্রেস অমদি নরেন্দ্র নিঙোম্বা ভাইস চেয়রমেন ষ্টেট ব্রাঞ্চ অমসুং ডা. মোহেন সেক্রেটরি আই আর সী এস, এম এস ৰিঙনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইদুনা পাঙথোকখি হায়না মীদিয়া এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি লোকেন্দ্র লৌখামনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## কোমরেম য়ুনিয়ন্না নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): সী বি এস ঈ, বোসেম অমসুং কোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্বকী কুমজা ২০১৮ কী ইগজামিনেসনশিংদা মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয়শিংবু কোমরেম য়ুনিয়ন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়ানা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোরক্লি। তুংগী লম্বীদসু হেন্না মায় পাকপা ওইসনু হায়না থৌনিরি হায়রি।

## ফারমর্স ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর শিলং লৌমী লুপ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা নুমিৎ মরিনিগী ওইবা রেসিদেন্সিএল ফারমর্স ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা লাক্লিবা জুন ১২ দগী ১৫ ফাওবা খাঙবোক পার্ট থ্রি লমলোংগী দাইমগু ক্লবকী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ফারমর্স ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা লৌউ-শিংউবদা থৱাই য়াওবা লৌমীশিং লোয়ননা ক্লবস অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা শরুক য়ানবা ফোঙদোরক্লি।

## শেলগী তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): অঙম্বা মতেং তৌসি হায়না মিংথোনবা ফেসবুক গ্রুপ অসিনা অহানবা ওইনা কোসেমনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ব সাইন্স ইগজামিনেসনদা ১০শুবা পোজিসন লৌরকখ্রবা থৌবালগী খাঙবোক পার্ট থ্রি মখা মনিং লৈকায়দা লৈবা লাইশ্রম ইমোবা মৈতৈ, অপোকপা লাইশ্রম বিমোল মৈতৈ অমসুং অপোকপী লাইশ্রম ওংবী সংবানবি লৈমদা ইমোবানা মখা তানা মহৈ তমজবদা মতেং ওইনবা ফেসবুক গ্রুপ অসিনা ঙরাং লুপা লিশিং ১০ গী তেংবাং পীখ্রে হায়না ফেসবুক গ্রুপ অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

**TREATED SUCCESSFULLY**

মায় পাক্লা লায়েংজরি


PH. ALAM

PILES : খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নাম্থবা, ঈ তাবা, মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরু-মরু ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।

GASTRIC : চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।

STONE CASE : পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা।

ASTHMA AND COUGH: শ্বর হোনবা ৰাবা, খৌ মনুংদা কঙশিল্লগা লোক খুবা, থবাক ফুল্লগা শ্বর হোনবা ৰাবা, শ্বর মপুংফানা হোনবা ঙমদবা অসিনচিংবা।

SINUS : নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোন্দা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।

LIVER, JAUNDICE, SUGAR : লিভর জোন্দিস অমসুং সুগর প্রোব্লেম্ন চিংবা লায়েংজরি।

BODY PAIN (PARALYSIS) : খোঙ-খূৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাং শিন-থুংনা চিকপা নাবা, তাং-তাং চিকপা, শীংলি-শীংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্লা লায়েংজরি।

1. NEXT TO IMPHAL BAZAR COMMUNITY CREMATION GROUND MINUTHONG

2. KAKCHING BAZAR, PHUNGA SHOPPING COMPLEX, 1ST FLOOR NEAR TRAFFIC POINT, KAKCHING DIST.(WEDNESDAY & THURSDAY) OPEN

MOBILE NO.: 8787579776 / 8259968220

HL-P/1300/15/5-8/6

**A.I. SOCIAL SCIENCES TUTORIAL CENTRE**

*Keishamthong Elangbam Leikai*

ADMISSION OPENS FOR
Class X (BOSEM)
20th FOUNDATION COURSE

*Class Commencing from 11th June 2018*

- Time : 5:00 am to 6:00 am
- 4:30 pm to 5:30 pm
- Only 15 students per batch
- *Subjects :* Geo, History, Civics, Economics

| Previous records: | Pass Percentage: |
| --- | --- |
| *T. Meghila, 23rd Position* | *100% consecutives* |
| *80% and above - 16 students* | *10 years* |

CHAPTERWISE TEST ON EVERY SUNDAY

Please Contact : ☎ 9856475399
Sir Ajitkumar, Board Examiner
Sir Ipajao, Former Regular English School

HL-P/1231/7/5-5/6

Our Mission: Producing POSITION Holders from non-Position Holders

**DAS** Delta Advance School
Kwakeithel Bazar, Imphal

A Co-Educational Higher Secondary
Govt. recognised & Affiliated to COHSEM

Admission Open for Class-XI

Science & Arts

Special Facilities for Meritorious Students of HSLC exam 2018

Free Studentship for 80% and above
Last Date of Admission for the Freeship Students: 3rd June 2018

Direct Admission through Counselling only

Many attractive offers for the students below 80% also

Counscelling Schedule for the Admission to Class XI:
1st June, 2018: 6th June, 2018

Direct Admission through Counscelling only

HL-B/4660/30/5-12/6

Government of Manipur
Rural Engineering Department
Manipur State Rural Roads Development Agency (MSRRDA)
4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC, Imphal - Manipur.

NOTICE

Dated, Imphal the 28th May, 2018.

No. 5/16/2018-MSRRDA/E-Tender/Ph-XI (B-I, 2017-18)/2RT/108 : It is hereby informed to all the concerned that the last date of bid submission of NIT of even No. dated 15th May, 2018 is hereby postponed till **17.00 Hrs of 8th June, 2018** and the opening of technical bids shall be on **11th June, 2018 at 11:00 Hrs** at the Conference Hall of RED/MSRRDA.

Th. Nandakishore Singh
Chief Engineer, RED/MSRRDA.

HL-B/4669/30&31



SARASWATI COACHING INSTITUTE
*Chingmeirong Khongnang Karak, Imphal*

ADMISSION OPEN

CLASS XII Sc. FOUNDATION COURSE (2nd Batch)
*Starting of Class : 14th May, 2018*

CLASS XI Sc. FOUNDATION COURSE
*Starting of Class : 25th June, 2018*

*Managing Director*

*We nourish your future*

HL-B/4599/3-31 (Alt.)



IMPHAL BOOK FAIR
26 May to 3 June 2018
at DM College of Science, Imphal

TODAY'S ATTRACTION
4.00 P.M. to 6.00 P.M.
Cultural Programmes

इंफाल पुस्तक मेला

Entry Free

10% Discount on all Books

nbt.india

Organized by
NATIONAL BOOK TRUST, INDIA
Ministry of Human Resource Development, Government of India
In Collaboration with
Directorate of Education (U)
& Saheed Madhumangal Foundation